## কোলিসনগী ৱারী ফেল ওইবা য়ানা লৈরে

রোম, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সি) :
ইটালিদা অনৌবা কোলিসন গবর্নমেন্ট অমা শেম্নবা রুলিং ৫-ষ্টার মুভমেন্ট অমসুং ওপোজিসন দেম্মক্রেটিক পাটি (পি দি)গী মরক্তা শান্নরিবা ৱারী কনানা মথংগী ইন্টিরিয়র মিনিষ্টর ওইগদগে হায়বগী মতাংদা য়েৎনবা লৈবদগী ফেল ওইবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়না পি দিগী স্পোক্সমেন অমনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

## য়ু এস এদভাইজর য়ুক্রেন্দা থুংখ্রে

কিভ, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সি) :
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোল্টন য়ু এসনা য়ুক্রেনগী সোভরেন্টি, টেরিটরেল ইন্টিগ্রিটি অমসুং য়ুরো-এটলান্টিক্কী মরী ইফোং ফোংনা শৌগৎপা উৎনবগীদমক লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভতা থুংলরে হায়না য়ু এস এম্বেসিনা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না প্রসিদেন্ট ঝেলেনস্কিগা য়ুক্রেনগা মরী লৈনবা ইশ্যুশিং অমদি অতৈ ইশ্যু কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি হায়রি।

## এমাজন রেনফোরেষ্টতা লম্মৈ চাকপা থেংননবা জি ৭না পীবা তেংবাং ব্রাজিলনা রিজেক্ট তৌখ্রে



ব্রাজিলিয়া, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সি) :
ব্রাজিলগী টোপ ওফিসল অমনা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোনদা ময়ুম লৈবাক্কী অমসুং মহাক্কী কোলোনিশিং য়েংশিন্নবা পাউতাক পীখিবগা লোয়ননা এমাজনগী রেনফোরেষ্টশিংদা পাক্তক্লনা লম্মৈ চাকপা থেংননবা জি ৭ লৈবাকশিংগী মায়কৈদগী ওফর তৌখিবা শেলগী মতেং অমা লৈবাক অসিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা রিজেক্ট তৌখ্রে।

ব্রাজিলগী এমাজন লমদমদা লৈবা উমংশিং চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা মৈ চাকপা হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবা মফম ৮০,০০০ রোমদা লম্মৈ চাকখ্রে হায়না পান্নরি। মদু মালেমগী কার্বোন সাইকল অমসুং ক্লাইমেটকী চাদা ২০ লোম রেগ্যুলেট তৌরিবনি হায়না থাজনরিবা পাক চাওরবা এমাজন বেসিন্দা লৈরিবা রেনফোরেষ্ট অপুনবগী তঙ্খায় অমদগী খরা হেল্লবনি হায়না লৌনরি।

ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট মেক্রোন্না থৌবু ওইদুনা ফ্রান্সকী কোষ্টেল সিটি বিয়ারিসতা পাঙথোকপা জি ৭ লৈবাকশিংগী সম্মিটতা লাম্মৈ চাকপদু থেংনবদা মতেং ওইনবা মালেমগী ইন্দষ্ট্রিগী লমদা মাঙজিন থারিবা লৈবাক ৭ অসিনা দোলর মিলিয়ন ২০গী শেনফম অমা ওফর তৌখিবনি।

জি ৭কী লৈবাকশিংনা শেলগী মতেং ওফর তৌরকপা ঐখোয়গী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি। তৌইগুম্বসুং রির্সোসশিং অদু য়ুরোপগী উমংগী ফিভম ফগৎহনবদা শীজিন্নবনা হেন্না কান্নবা ওইগনি হায়না প্রসিদেন্ট জইয়র বোলসোনারোগী চীফ ওফ ষ্টাফ ওনিক্স লোরেনঝোনিনা জি ১ ৱেবসাইটতা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট মেক্রোন্না মালেমগী হেরিটেজ সাইট অমনি হায়না লৌনরিবা চর্চ অমা মৈনা তুম্না চাকপদগী কন্ননবা মাঙজৌননা পায়খৎফম থোকপশিং পায়খৎপদি ঙমখিদ্রগা মহাক্না ঐখোয়গী লৈবাক্কী উমংশিংদা লাম্মৈ চাক্লকপদা করি করম্বা পারা তন্বীনিংলিবনো হায়না লোরেনঝোনিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল দিফেন্সশিং ফাওজিনবা ঙম্বা ৱারহেদশিং শারি : জপান

টোকিয়ো, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সি) :
জপানবু বলিষ্টিক মিসাইল এটেক্তগী ঙাকথোক্লবা থল্লিবা সিল্ড ফাওজিনবা ঙমগদবা ৱারহেদ কয়া প্যোংয়াংনা পুথোক্লবা হোৎনরে হায়বগী চিংনবা কয়া লৈরে হায়না জপানগী দিফেন্স চীফনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



নোর্থ কোরিয়ানা ইনৌ নৌনা কাপখিবা মিসাইলশিংগী ট্রাজেক্টরিশিং ইরেগ্যুলর ওইবগী ফিভম লৈবদা য়ুম্ফম ওইরগা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। দিফেন্স মিনিষ্টর টাকেসি ইৱায়ানা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবদা, নোর্থ কোরিয়ানা হন্দক্তা কাপখিবা রোকেটশিং অদু অনৌবা সোর্ট-রেঞ্জ বলিষ্টিক মিসাইল অমনি হায়না জপান্না থাজে। দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি জপানিজ মিদিয়ানসু কনফার্ম তৌখি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা থোইদোক্না লুনা লৌখিদ্রবসু হন্দক্তা প্যোংয়াংনা সোর্ট-রেঞ্জ মিসাইল কয়া কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখিবদা য়ুমথংনরিবা জপান্দা মীপাইবা হেনগৎহনখিবনি। সিওলনা টোকিয়োগা খুৎয়েক পীনখিবা মিলিটরি ইন্টলিজেন্স-স্যেরিং পেক্ট অমদগী ৱিথদ্রো তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং নোংমখক কান্নরগা থাংজ নুমিত্তা প্যোংয়াংনা সোর্ট-রেঞ্জ মিসাইল অদু কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখিবনি।

সিওলনা পেক্ট অদুদগী হন্দাক্লবা লৌখিবা ৱারেপ অদুবু ইৱায়া অমসুং জপানগী অতৈ ওফিসল কয়ানা নোর্থ কোরিয়ানা কিহনবা হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা ওইবনা মরম চাদে হায়না ফোঙদোকখি। নোর্থ কোরিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা মিসাইল লোঞ্চশিং অদুগী অকুপ্পা এনালাইসিস অমা য়ু এসকা লোয়ননা সাউথ কোরিয়ানা চথৈরিবনি।

## জি ৭না হোং কোংগী মতাংদা থোকপা ষ্টেটমেন্ট চাইনানা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



বৈজিং, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সি) :
গ্রুপ ওফ সভেন (জি ৭)কী লুচিংবশিংনা ফ্রান্সতা মখোয়গী সম্মিট লোইশিনবদা হোং কোংগী মতাংদা থোকখিবা অপুনবা ষ্টেটমেন্ট অমা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা বৈজিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

জি ৭ গী লুচিংবশিংগী অপুনবা ষ্টেটমেন্ট অদুদা হোং কোংবু চাইনিজ লৈঙাক্তা শীন্নবগী য়ুম্ফম ওইরিবা কুমজা ১৯৮৪ দা চাইনা অমসুং য়ু কেগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রীমেন্টকী ৱাফমশিং ঙাক্কদবনি হায়না চেকশিন্না পনখিবনি।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন গেং সুৱাংনা মালেমগী খ্বাইদগী চাওখৎলবা লৈবাক তরেৎকী গ্রুপ অমা ওইরিবা জি ৭ পু হোং কোংগী ৱাথোক্তা খুৎ থিংজিল্লি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা ইশ্যু অদু চাইনাগী মনুংগী ওইবা ৱাফম্নি হায়খি।

গেং সুৱাংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হোং কোংগী সিটিজনশিং অমসুং চাইনাগী অতৈ মীয়াম নত্তনা কনামত্তনা হোং কোংগী চাওখৎপা, নুংঙাই-য়াইফবা অমসুং মরা চেৎপগী ফিভমগী মরমদা হেন্না মীৎয়েং চঙগদবা লৈতে। ঐহাক্না জি ৭ গী মেম্বরশিংদা অতৈগী বিজিনেসতা ফত্তবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা মায় ওইশিনবগী থবক লেপ্পনবা পাউতাক পীবা পাম্মী।

সাইনো-বৃটিশ জোইন্ট দিক্লারেসনগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্দমদি চাইনানা হোং কোংবু অমুক হন্না লৌশিন্দুনা সিটি অসিদসু মখা তানা চাইনিজ সোভরেন্টি য়ৌহনবা হায়বসিনি হায়নসু ইফেন্যুজনসু মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক্তিগী মরী লৈনবা থবক পুম্নমক লেপহনখ্রবা এক্সট্রাদিসন বিল অমনা মরম ওইদুনা হৌখিবা জুনদগী প্রো-দিমোক্রেসি প্রোটেষ্টরশিংনা লেপ্পুনা চথরক্লিবা খোঙজংশিংনা হোং কোং সিটিগী থবক থৌরম পুম্নমক কাং খোং চাইবগী ফিভমদা লাকখিবনি।

## সেফ জোনশিং শেম্বগী মতাংদা য়ু এস অমসুং টালিবান্না ৱারী শান্নবদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্লে

কুবাল/দোহা, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সি) :
অমেরিকান ফোর্সশিংনা অফঘানিষ্টান্দগী হন্দোকপা হেক হৌবগা সেফ জোনশিং শেম্বগী মতাংদা য়ু এস অমসুং টালিবানগী নিগোসিএটরশিংনা ৱারী শানবদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্লে হায়না দোহাদা চথরিবা ৯ শুবা রাউন্দগী পিছ টোক্কী মরমদা নোলেজ লৈবা সোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



সোর্সশিং অদুনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, সেফ জোন ষ্ট্রেটেজিদা য়ুম্ফম ওইরগা য়ু এস ফোর্সশিং লৌথোকপা হৌরিবা প্রোভিন্স খুদিংমক্তা সীজ ফয়ার লাউথোক্লগনি। য়ু এস ফোর্সশিং মপুং ফানা লৌথোকখ্রবা মতুংদা অফঘানিষ্টান শীন থুংনা সীজ ফয়ার অদু ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি।

পিছ টোক অদুদা টালিবানগী নিগোসিসন টিমদা য়াওরিবা মীশক অমসু ওইরিবা দোহাদা লৈবা টালিবানগী স্পোক্সমেন সাহিননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ট্বিট অমদা হায়খি মদুদি, নাকল অনীনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা মতম শাংনা হীরম অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

টালিবানগী ওইনসু ইন্টরনেল মীটিং অমা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্ননা কৌখ্রে। মীটিং অদুগী মতুংদা মখোয়না য়ু এসকী নিগোসিএটরশিংগা মখা তানা ৱারী শানগনি। চৈরকসিদা অফঘানিষ্টানদা শংতাইনবগী ফিভম পুরক্লবগীদমক্তা হাপখিবা য়ু এস স্পেসল রিপ্রজেন্টেটিভ ঝালমে খালিলঝাদনা পিছ দিল অমগী শরুক ওইনা ৱাশিংটন্না অফঘান নেসনল সিক্যুরিটি অমসুং দিফেন্স ফোর্সশিং ফন্দিং তৌবা লেপ্পলগনি হায়বা মিদিয়া রিপোর্টশিংবু নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংবু য়ু এসনা শৌগৎপগী মতাংদা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরিবসিদা কিবা নৎত্রগা চিংনবনচিংবা তৌরোইদবনি হায়না খালিলজানা ফোঙদোকখি।

## হ্যুমেনোইদ রোবোট য়াওবা রসিয়াগী স্পেসক্রাফট ইন্টরনেসনল স্পেস ষ্টেসনগা শম্নখ্রে



মোস্কো, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সি) :
হ্যুমেনোইদ রোবোট অমা পুরিবা রসিয়াগী সোয়ুজ স্পেসক্রাফট অমা অহানবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইন্টরনেসনল স্পেস ষ্টেসন (আই এস এস)গা মায় পাক্না শম্নবা ঙমখ্রে।

সোয়ুজ স্পেসক্রাফট অদু ঐখোয়না পাম্বা মওংদা আই এস এসকা শম্নহনখ্রে হায়না মিসন কন্ট্রোল সেন্টরনা ফোঙদোকখি।

মিসন কন্ট্রোল সেন্টর অসিগী মতুং ইন্না হ্যুমেনোইদ রোবোট অমা য়াওবা সোয়ুজ এম এস-১৪ স্পেসক্রাফট অদুবু আই এস এসকা শম্নহনবগী থবক অদু হান্না লেপখিবা মতমদগী মিনিট কয়ামরুম ঙনখৎনা পাঙথোকপা ঙমখি।

রসিয়ন ষ্টেট স্পেস কোর্পোরেসন রোস্কোস্মোসকী মতুং ইন্না ফেদর হায়না নিকনেম পীরবা হ্যুমেনোইদ রোবোট এফ-৮৫০ অদু আই এস এসতা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থবক কয়া কদাই ফাওবগী চাংদা পাঙথোকপা ঙম্বগে হায়বদু খঙদোক্লবা চাংয়েং তৌগদৌরিবনি। রোবোট অদু সেপ্তেম্বরগী অঙনবা শরুক ফাওবা ওর্বিটতা লৈগনি।

মমাংদা থাংজ নুমিত্তা আই এস এসকা শম্ননবা হোৎনখিবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা সোয়ুজ এম এস-১৪ স্পেসক্রাফট অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হোৎনবদা মায় পাকপ ঙমখিবনি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা স্পেসক্রাফট অদুনা অহানবা ওইনা আই এস এসকা শম্ননবা হোৎনখিবা অদুদা সেফ এপ্রোচ অমসুং এয়রলোকিংগা মরী লৈনবা আই এস এসকী ইক্বিপমেন্টতা অশোয়বা লৈরম্বদগী মিসন কন্ট্রোল সেন্টরনা ক্রূ অমসুং ষ্টেসন্দা অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবগীদমক্তা স্পেসক্রাফট অদুবু খরা থাপতোক্না লৈহন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি। অশোয়বা অদু আই এস এসকী নেভিগেসন সিষ্টেম অমগী প্রোব্লেমগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়না টাস ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

## পাকিষ্টানগী মিনিষ্ট্রি অমনা কাশ্মির মিদিয়া সেল হাংগদৌরি

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সি) :
পাকিষ্টানগী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রিনা কাশ্মির মিদিয়া সেল অমা হাংলগনি হায়না গভর্নমেন্ট ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।



নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা ইনফোর্মেসনগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টরগী স্পেসল এসিষ্টেন্ট ওইরিবা ফিরদৌস অসিক অৱান্না হায়খি মদুদি, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংনা মমাংদা রুলিং পাকিষ্টান টেহরিক-ঈ-ইন্সাফস (পি টি আই)গী মিদিয়া সেলদগী টেক্নিকেল সপোর্ট লৌবা লৈখ্রে। পি টি আইগী সোসল মিদিয়া সেলনা ইনফোর্মেসন মিনিষ্ট্রিগী মখাদা ওফিসল সোসল মিদিয়া সেল অমা লিংবদা গভর্নমেন্টতা কোওপরেসন পীরি হায়না মহাক্না দোন ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

অৱান্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কাশ্মির মিদিয়া সেল হাংবগী মরু ওইবা পান্দমদি কাশ্মিরদা লৈরিবা অশেংবা ফিভমশিংগী মরমদা অশেংবা পাউ লৌবা অমসুং শন্দোকপনি। কাশ্মিরদগী ঐখোয়দা ফ্রী ওইনা ইনফোর্মেসন অমত্তা লাক্তে। মরম অদুনা ইনফোর্মেসন মিনিষ্ট্রিদা হাংলিবা কাশ্মির মিদিয়া সেলদগী গভর্নমেন্টনা অরৈবা ইনফোর্মেসন পুম্বা খোমদুনা ফোরেন ওফিস, লোকেল মিদিয়া অমদি সিভিল সোসাইটিগী মেম্বর পুম্নমক্তা ফংহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান্না কাশ্মিরবু ইন্টরনেসনল ইশ্যু অমা ওইহল্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, হৌজিক্তি হীরম অসিগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎপা হায়বসি মরী লৈনবা গভর্নমেন্ট দিপাটমেন্টশিংগী মথৌদাং ওইরগনি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ফোরেন মিনিষ্টর সাহ মেহমুদ কুরেসিনা ফোরেন ওফিস খুদিংমক্তা কাশ্মিরগী স্পেসল সেলশিং হাংবগা লোয়ননা এম্বেসি খুদিংমক্তা দেস্ক অমমম হাংলগনি হায়না লাউথোকখিবনি। ইন্দিয়ানা ওগষ্ট ৫ দা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ রিভোক তৌদুনা জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা পীরম্বা স্পেসল ষ্টেটস লৌথোকখিবদগী ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা উংখৎনরকখিবনি।

## টর্কিনা রসিয়াবু সিরিয়ন ফোর্সশিং লাকশিনহনবা পাল্লি



অঙ্কারা, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সি) :
টর্কিস প্রসিদেন্ট টায়িপ ঈর্দোগন্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগা উনবদা সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তগী লৈবাক অসিগী ফোর্সশিংনা ওফেন্সিভ চথরিবা অদুদা টর্কিস ট্রুপশিংদা অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা রসিয়ন প্রসিদেন্টদা সিরিয়ন ফোর্সশিং লাকশিন্নবা তকশিল্লগনি হায়না টর্কিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াদা নোংমখক্কী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎলিবা ইর্দোগান্না হৌখিবা চয়োলদা সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকী ফোর্সশিংনা চথরিবা এটেকশিংনা হ্যমেনিটরিয়ন ক্রাইসিস অমা থোকহনবগা লোয়ননা টর্কিগী নেসনল সিক্যুরিটিদা অকিবা পোকহল্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

টর্কিস ওফিসল অদুনা রোইটর্সতা হায়খি মদুদি, লুচিংবা অনীগী মীফম অদুদা খন্নগদৌরিবা টোপিকশিংগী মনুংদা সিরিয়াদা লৈবা টর্কিস লান্মীশিংগী সিক্যুরিটিগী ৱাফম য়াওরি।

হীরম অসিগী মতাংদা রসিয়ানা সিরিয়ন রেজিমদা শোয়দনা ইথিল পীরগনি হায়না ঐখোয়গী মায়কৈদগী থাজবা থম্মী। করিগুম্বা টর্কিস লান্মীশিংদা পীক্না ওইরবসু চাওনা ওইরবসু এটেক তৌরকপা মতমদা ঐখোয়না মদুগী মায়োক্তা খুৎ হনগনি হায়না ওফিসল অদুনা মখা তাখি।

নোর্থ ৱেষ্ট সিরিয়াদা লৈরিবা টাউন খরা য়াওনা মফম কয়া অমুক হন্না লৌশিন্নবগীদমক্তা চথখিবা অচৌবা লান্দা অমদা সিরিয়ন ট্রুপশিংনা লমদম অদুদা লৈরিবা রেবেলশিং অমসুং টর্কিস মিলিটরি পোষ্ট অমা কোয়শিন্দুনা থমখ্রবনি। সিরিয়াগী লান অদুদা টর্কিনা অৱাং নোংচুপ থংবা ইদলিব লমদমদা রেবেল ফেক্সন খরা শৌগৎলিবনি অদুগা অমরোমদা, রসিয়া অমসুং ইরান্না সিরিয়ন প্রসিদেন্ট অসাদপু শৌগৎলিবনি।

## মিদল ইষ্টকী উংখৎনবা হন্থহনবদা জপান্না মতেং পাংগদৌরি

য়োকোহামা, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সি) :
মিদল ইষ্টতা লৈরিবা উংখৎনবগী ফিভম হন্থহন্নবা হোৎনবদা জপান্না মতেং পাংগনি হায়না জপানিজ ফোরেন মিনিষ্টর তারো কোনোনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



ইরানগী মহাক্কী লেংমান্নবা মোহমদ জভাদ জারিফকা মীফম পাঙথোকপা হৌখিবগা লোয়না তারা কোনোনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর জরিফকী মায়কৈদগী মীফম অদু পাঙথোকক্ত্রিঙৈগী মমাংদা গল্ফকী ষ্টেবিলিটি অমসুং ইনর্জি মার্কেটকী সিক্যুরিটিদা লৈবাক অনীগী স্পেসল ইন্টরেষ্ট লৈবনা মহাক্না কোনোগা ৱারী শান্নবগী মতম খৌরাংনা ঙাইরি হায়খি।

জরিফকা পুন্না লেপমিন্নদুনা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা কোনোনা হায়খি মদুদি, মিদল ইষ্টতা লৈরিবা উংখৎনবা ফিভমনা ঐখোয়গী ৱাখল ৱাহল্লে। অসিগুম্বা উংখৎনবা ফিভম অসি হন্থহন্নবা ঐখোয়গী মায়কৈদগী দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা মতেং ওইগদবা খোঙথাং খরা লৌখৎপা ঙমগনি হায়না থাজে।

জপান অসি পুৱারীগী কুইরবা মতমগী মমাংদগী হৌনা ইরানগা মরুপ-মপাং ওইবা মরী থম্নদুনা লাকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসি য়ু এসকী মরু ওইবা মীচং অমসু ওইরিবনি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না হৌখিবা চহীদা ইরানগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় শাবগী প্রোগ্রাম লাকশিন্নবা খুৎয়েক পীনখিবা ইন্টরনেসনল দিল অমদগী ৱিথদ্রো তৌখিবগা লোয়ননা টেহরানগী মায়োক্তা অহেনবা অথিংবা কয়া থম্বা হৌখিবদগী ইরান অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

য়ু এসকী অনৌবা অথিংবশিং অদুবু ইরানিয়ন ওফিসলশিংনা ইকনমিক ৱারফ্যেরনি হায়না ফোঙদোকখি। লৈবাক অনীগী উংখৎনবা অসিগী দিপ্লোমেটিক সোল্যুসন অমা পুরকপা য়ানবা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএন মেক্রোন্না নাকল অনগী মরক্তা ৱারী শান্নবা য়ানবগী খোঙথাংশিং পায়খৎপা হৌখ্রবনি।